# বঙ্গলাদেশকা তাইনবা ঙমখৈ পরিং চহী ২গী মনুংদা শম্বল খাবা লোয়শিনগনি ঃ সর্বানন্দ



অসামগী চীফ মিনিষ্টর ওইরগদবা বি জে পিগী লুচিংবা সর্বানন্দা সোনোৱাল (ময়াই)

*গুৱাহাতি, মে ২১ঃ*

অসামগী চীফ মিনিষ্টর ওইরগদবা বি জে পিগী সর্বানন্দ সোনোৱালনা ঙসি ফোঙদোকখিবদা বঙ্গলাদেশকা তায়নবা ঙমখৈ পরিং চহী ২গী মনুংদা ঙমখৈ লান্না চংশিল্লকপশিং শম্বল খাগনি।

ইং ১৯৮০গী মতমদা অসামগী মহৈরোইশিংনা এন্টি ফোরেনরগী খোঙজং চংশিনখিবা লৈখি। হৌজিক এসেমব্লী মীখলদা মায় পাক্লবা বি জে পি পার্টিনা অসামগী ঙমখৈ পরিং চেক তৌবা অমসুং ঙমখৈ লান্না চংশিল্লকপা থিংবগী ইশু অসিনা অহানবা প্রাইওরিটি পীগনি।

বি জে পিনা ঙমখৈ লান্না চংশিল্লকপশিং মরু ওইবা ইশু অমা ওইনা মীখলগী মতমদা পুখৎখি। য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর রাজনাথ সিংহনা ঙমখৈগী লমদম চপ চানা থিংজিন্নবগী মতম চহী ২ পীরে।

হায়রিবা মতম অদুগী মনুংদা ঙমখৈ পরিং মপুং ফানা শম্বল খাদুনা থিংজিনবগী থবক পায়খৎকনি। মদুগী মনুংদা ঙমখৈ লান্না চেনবা থোংশিংসু য়াওগনি। ইন্দো–বঙ্গলাদেশ ঙমখৈ পরিং থিংজিনবগী মতাংদা হংলকখিবা ৱাহং অমদা লুচিংবা অদুনা হায়, মদু পার্টিনা লেপ্পা ৱারেপ অমগী মখো পোনবনি।

করিমগন্স দিষ্ট্রিক্টতা রাজনাথ সিংহনা লাক্লম্বা মতমদা ইন্দো–বঙ্গলা বোর্দর য়েংশিনখি। চহী অসিগী জনুৱারি থাদা অসামগী ঙমখৈ পরিংদা বার্ব ৱেয়র খাবগী থবক চহী অসিগী মনুংদা লোইশিন্নবা পান্দম থল্লি।

অথুবা মতমদা ঙমখৈ লান্না চংশিল্লকপশিং বোর্দর সিল মতম চুপ্পগী ওইনা তৌননবা থবক পায়খৎলগনি। মদুতা নত্তনা ঙমখৈ লান্না চংশিল্লকপশিং ঙাকথোক্লবগীদমক মীয়ামদা ভাব তাহন্নবা থবকসু পায়খৎকনি হায়রি।

বঙ্গলাদেশতগী মীওই কয়া থোমজিল্লকপা থিংননবা করম্বা মখলগী আইন শীজিন্নগদগে হায়না হংলকপা ৱাহং অমগী পাউখুমদা সোনোৱালনা হায়, লৈবাক অসিনা নেসনেল রেজিষ্ট্রেসন ওফ সিটিজেন (এন আর সি) পায়খৎলি। থৌশিল অসিনা ঙমখৈ লান্না চংশিল্লকপা মীতোপশিং খনে দাকপা ঙমগনি।

হৌজিক লৈরিবা আইন অসিনা থৌশিল অদুগী মখাদা ঙমখৈ লানশিল্লকপগী ৱাথোক অদু লাকশিনবা ঙমগনি হায়বগী থাজবা লৈ হায়না চীফ মিনিষ্টর ওইরগদবা সর্বানন্দ সোনোৱালনা ঙসি ফোঙদোরক্লি।

পঞ্জাব অমসুং পাকিস্তানগা তায়নবা ৱাগা বোদরদা পায়খৎলিবা থবক থৌরমশিং অদুগা চপ মান্ননা অসাম অমসুং বঙ্গলাদেশকা তায়নবা ঙমখৈদসু পায়খৎকনি। মফম অদু লম কোয়বশিংগী মীৎয়েং চংশিনফম ওইহনগনি।

ঙমখৈদা ওইরক্কদবা অমদি পাঙথোক্কদবা থৌরমশিং অদুনা মীওই কয়াগী পুক্নিং চংশিনগনি। মদুনা ঙমখৈ লান্না চংশিল্লকপশিং থিংবা ঙমগনি হায়খি।

# ইরাক্কী বাগদাদকী গ্রিন জোন হিংশাদা ৪ শীরে, ৯০ শোহকনখ্রে

*বাগদাদ, মে ২১ঃ*

শেঞ্জা থুমজাগী মায়োক্তা বঙ্গলাদেশকী মরু ওইবা অমসুং অকনবা ঙাক শেলগী থবক পায়খৎলিবা গ্রিন জোনদা মীয়াম্না অকনবা খোঙজং চংশিল্লকখিবদা য়ামদ্রবদা মীওই ৪ শীরে। অদুগা ৯০না অশোক অপন নংখ্রে।

ইরাক সিক্যুরিটি ফোর্সনা রবর বুলেট অমসুং অশেংবা নোংমৈ মরু অমদি টিয়ার গ্যাস সেল কয়া কাপ্তুনা পার্লিয়ামেন্ট, ইনভেসি অমসুং লৈঙাক্কী ওফিসশিংগী মমাঙদা চংশিল্লকখিবা খোঙজং লাকশিন্নবা কাপখি।

শোকপনা মরম ওইরগা হোস্পিটালদা লায়কন্নরম্বা মীওই মরি লৈখিদবদগী বাগদাদ সেন্ট্রেল মোর্গতা থমখ্রে। লৈখিদ্রবা মীওইশিং অদু নোংমৈ মরুনা পানবগী দাকফম লৈ। মীওইশিং অদু টিয়ার গ্যাস না স্বর ফুলহন্দুনা শীখিবনি হায়বগী প্রমান্দ ফংদে।

হৌখিবা থা অমগী মমাঙদগী গ্রীন জোন অদুদা মখল কয়াগী খোঙজং চংশিল্লকপদগী য়ৈখায় থিনগাইবা কয়া থোকখি। খোঙজং চংশিল্লকখিবশিংগী মনুংদা সিয়া মুস্লিমশিংগী শক্তি লৈরবা ক্লারিক মোক্তাদা–অল সাদর অমসুং তোঙান–তোঙানবা কাংলুপকী মীওই কয়াসু য়াওখি।

লৈঙাক্না শেঞ্জা–থুমজা লাকশিনবা ঙমদ্রে হায়বগী মতাংদা মীয়াম্না অকনবা খোঙজং চংশিল্লকখি। খোঙজং অদুবু লাকশিন্নবা ইরাই নুমিৎতা বাগাদাদ ওথোরিটিনা মফম কয়াদা কার্ফ্যি থমজিনখি। অদুম ওইনমক গ্রিন জোনদা হিংশা কয়া থোকখি।

প্রাইম মিনিষ্টর হায়দর অল অবাদিনা ঙরাং অহিং অথেংবদা ফোঙদোকখিবদা গ্রিন জোনদা শান্তি থুগায়রকখিবা অদু লায়বক থিবনি। মফম অদুদা চরাংন্নবা অমসুং শান্তি থুগায়বগী থৌদোক চখ্খদনবা অকনবা ৱার্নিং তৌরদুনা হায়, মতমগী মতুং ইন্না আইনগী ওইবা থবক লৌখৎকনি হায়রি।



বাগদাদকী গ্রিন জোনদা খোঙজং চংশিল্লকখিবা মীয়াম পুলিসনা লাকশিন্নবা হোৎনবা

# সাইক্লোন রোৱানুনা বঙ্গলাদেশতা ৬ হাৎখ্রে

*ধাকা, মে ২১ঃ*

সাইক্লোন রোৱানুনা বঙ্গলাদেশকী সমুদ্র খোঙবান্দা য়ৈশিনখিবগা লোয়ননা লৈবাক অদুদা মীওই ৬ শীহনখ্রে। অদুগা মীওই লিশিং কয়ানা ময়ুম মকৈ থাদোক্তুনা লাঞ্জেনখ্রে।

নোংলৈ নুংশিৎ অদুনা লৈবাক অদুগী মফম কয়াদা অকনবা নুংশিৎ শিৎপা অমসুং অকনবা নোংচুহনবনা মরম ওইরগা খুদোংচাদবা কয়া থোকহল্লে। বঙ্গলাদেশ ওথোরিটিনা মীওই লাক্ষ ৫ রোম শাফগদবা মফমশিংদা হোংদোকহনখ্রে। লৈবাক অদুদা হৌখিক পুংদা কিলোমিটর ৮৮কী চাংদা অকনবা নুংশিৎ শীৎলি। নুমিৎয়ুংবা মতুং অকনবা নোংলৈ নুংশিৎ অদু য়ৌশিল্লকখিবগা লোয়ননা খুদোংচাদবা কয়া থোকহল্লে হায়রি।

# অফগানিস্তানদা পুলিস ৬ হাৎখ্রে

*কাবুল, মে ২১ঃ*

অফগানিস্তানগী ইরাংনা শোকহল্লবা খা থংবা উরুজগন প্রোভিন্সকী চেক পোইন্টতা অফগানিস্তান পুলিস পার্সোনেল ৬ শীরে। পার্সোনেলশিং অদু মফম অদুদা থবক তৌমিন্নবা পার্সোনেলশিংনা নোংমৈ মচিন ওনশিন্দুনা কাপশিল্লকপদগী লৈখিদবনি হায়রি।

চারচিনো দিষ্ট্রিক্টকী পুলিসকী মকোক মুহম্মদ হসামনা ফোঙদোরকখিবদা ঙসি অয়ুক অকনবদা নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক অদু থোকখিবনি।

নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক অদুদা পুলিস ওফিসিয়েল ৩ চেন্নে। মখোয় চেক পোইন্ট অদুদগী খূৎলায় অমসুং গারী পুদুনা চেনখ্রে। মদুগী মতুংদা কাবুলদা লৈবা য়ু এন সিক্যুরিটিগী কম্পাউন্দদা নেপালি গার্দ অনীসু নোংমৈ কাপ্তুনা হাৎলমখি। অদুগা অতোপ্পা অমনা শোকহনখি হায়রি।

# জে এন কেগী কুপৱারা দিষ্ট্রিক্টতা টেরোরিষ্ট ৫ হাৎখ্রে

*কুপৱারা, মে ২১ঃ*

জম্মু অমসুং কাস্মিরগী অৱাং থংবা শরুক্তা লৈবা কুপৱারা দিষ্ট্রিক্টতা খূৎ থোক্লবদা টেরোরিষ্ট ৫ হাৎখ্রে। অদুগা লান্মীগী মীওই ২না অশোক অপন নংখ্রে।

শ্রীনগরদগী কিলোমিটর ৮১ রোম চৎলগা লৈবা কুপৱারা দিষ্ট্রিক্টকী দ্রুগামুলা খুঙ্গংদা টেরোরিষ্ট খরা লৈরে হায়বা চপ চাবা পাউ ফংবদগী পুলিস অমসুং লান্মীনা মফম অদু কোয়শিন্দুনা থমখি।

সিক্যুরিটি ফোর্সনা থি–হুম্বগী থবক চখবা হৌরকপদা লোৎতুনা লৈরম্বা টেরোরিষ্টশিংনা নোংমৈ কাপথোরকপদগী অকনবা মওংদা খূৎ থোক্লখি। খূৎ থোক্লবা অদুদা টেরোরিষ্ট ৫ হাৎখি। অদুগা লান্মীগী মীওই অনীনা অশোক অপন নংখি।

শোক্লবা লান্মীশিং অদু মনাক নকপা হোস্পিটালদা পুখৎতুনা লায়কন্নখ্রে। শোক্লবা লান্মীশিং অদুগী খুদোংথিনিংঙাই ওইদ্রে। খূৎ থোক্লবদা লৈখিদ্রবা টেরোরিষ্টশিং অদু মশক মমিং খঙবা ঙমদ্রি। মখোয়দগী অফবা মখলগী খূৎলায় ফাগৎপা ঙমখ্রে।

ইন্টিলিজেন্সনা পীরকখিবা পাউ অমগী মতুং ইন্না কুপৱারাগী খুঙ্গং অদুদা ষ্টেট পুলিস অমসুং লান্মীগী খূৎপু অমনা কোয়শিন্দুনা থল্লবা মতুং ওপরেসন চখখি। ওপরেসন চখবা হৌরকপদা টেরোরিষ্টশিং অদুনা নোংমৈ কাপথোরকপদা লান্মীগী মীওই ২ শোকহনখি। লোয়ননা টেরোরিষ্ট ৫ হাৎপা ঙমখি হায়রি।

# হিমাচল প্রদেশকী লম্বীগী খুদোংথিবা থৌদোক ২দা মীওই ২২ শীরে

*সিমলা, মে ২১ঃ*

হিমাচল প্রদেশতা থোকখিবা লম্বীগী খুদোংথিবা থৌদোক অনীদা য়ামদ্রবা মীওই ২২ শীরে হায়না ঙসি পুলিসকী পাউ অমনা ফোঙদোরক্লি।

থৌদোক অনীমক মীওই কয়া পুদুনা লাকখিবা গারী অনী অরুবা লোক্লুংদা তাশিনবদগী থোকখিবনি। ইরাই নুমিৎকী নুমিদাং অথেংবদা পেসেঞ্জর কয়া পুদুনা লাকপা প্রাইভেট গারী অমা কিনাউর দিষ্ট্রিক্টকী অরুবা লোকচপ অমদা তাশিনবদা মীওই ১৩ শীখি।

কিনাউরগী এস পি খুসাল শর্ম্মনা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখিবদা বাদা কম্বা হায়না খঙনবা নিচার লমদমদা লৈবা লোক্লুং অমদা বোলেরো কেম্পর অমা তাশিনখি। গারী অদুদা মীওই ১৪ তোংলকখিবনি হায়রি।

মীওইশিং অদু লুহোংবগী থৌরম অমা য়াওরুরবা মতুং হল্লকপনি। হিংহৌরবা মীওই অদুদি খুদোংথিবা থোকপা মতম অদুদা গারী অদুদগী চোংথোকহৌখিবনি। পাউ অসিগী মতুং ইন্না মীওই ১২ মফম অদুমক্তদা শীখি। অদুগা অমনা হোস্পিটালদা পুখৎতুনা লায়কন্ননবা হোৎনবদা লৈখিদবনি হায়রি।

অতোপ্পা থৌদোক অমদা হিমাচল প্রদেশ রোদ ট্রান্সপোর্ট কোর্পোরেসনগী মীওই ২৯ তোংবা বস অমা ঙসি ফিট ১৫০ রোম লুবা বাজোলি থোংদগী নাম্থোক্তুনা তুরেল খোঙনুংদা তাশিনখি।

মরাইবক থিরবা বস অদু ষ্টেট অদুগী কোনুংদগী চোপালগী মনুং চনবা থারোচ তম্না লাকখিবনি। লৈখিদ্রবশিংগী মনুংদা বস অদুগী কন্দক্টর অমসুং ড্রাইভর য়াওখ্রে। বস অদুগী ড্রাইভর অদুনা অকোনবা লম্বী অমদা মমায় চুম্বা ঙমদবদগী গারী অদু তুরেল খোঙনুং অদুদা তাশিনখিবনি।

মীৎনা উহৌবা মীওইশিংনা ফোঙদোরকখিবদা গারী অদু ড্রাইভরনা কন্ট্রোল ঙমদবগী ফিভম অদু উখি। থৌদোক অদুদা নুপী ৩ য়াওনা মীওই ১৭ শীখি। অদুগা ২৩না অশোক অপন নংখি। অরুবা তুরেল খোঙনুংদা তাশিনখ্রবা বস অদু মীওই ৫০ রোম পুদুনা লাকখিবনি।

শীংঘানেদগী দালহৌসি তম্না চৎপা বস অদু শোয়বদগী তুরেল খোঙনুং অদুদা তাশিনখিবনি হায়রি।



হিমাচল প্রদেশকী অরুবা লোকচপতা তাশিনখিবা বস, মীয়াম্না রেস্ক্যু তৌনবা হোৎনখিবা

# ছটিসগরগী বাষ্টরদা খূৎ থোক্লবদা মাওইষ্ট ৩ হাৎখ্রে

*রাইপুর, মে ২১ঃ*

ছটিসগরগী লালহৌবগী ইরাংনা শোকহল্লবা বাষ্টর লমদমদা ঙসি অকনবা মওংদা খূৎ থোক্লবদা মতৈ মনাও অমা য়াওনা মাওইষ্টকী কাদর ৩ হাৎখ্রে।

ঙসি অয়ুক পুং ২.৫০ চৎপদা ছটিসগরগী দরভা দিভিজনদগী মাওইষ্টকী মতৈ মনাও য়াওবা খূৎপু অদুগা সিক্যুরিটি ফোর্সকা বিজাপুর পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা গঙ্গালুর জঙ্গলদা সিক্যুরিটি ফোর্সকা অকনবা মওংদা খূৎ থোক্লখি হায়না দিষ্ট্রিক্ট এদিস্নেল এস পি ইন্দিরা কলেন্দ ইলেসেলানা পাউমীশিংদা ফোঙদোরক্লি।

লৈখিদ্রবা মতৈ মনাও অদুদি দরভা দিভিজনগী কম্মান্দর মনোজ হাপকা অমসুং মহাক্কী লোয়নবী তাতিনি। মখোয় চপ মান্নবা দিভিজন অদুদা লৈবনি হায়রি।

ঙসি চখখিবা ওপরেসন অদুদা সেন্ট্রেল রিজার্ভ পুলিস ফোর্সকী ৮৫শুবা বট্টালিয়নগী মখাদা লৈবা কম্মান্দো বাট্টলিয়ন ফোস রিজোল্যুসন এক্সন কোব্রাগী ২০৪শুবা বট্টালিয়নগী মতেংগা লোয়ননা চখখিবনি।

লান্মীগী মীওইশিংনা জঙ্গল অদুদা থি–হুম্বগী থবক চখখি। রাইপুরদগী কিলোমিটর ৪৫০ চৎলগা লৈবা কোটর–কেরেনরগী জঙ্গলদা ওপরেসন চখরিঙৈ চৈরক্তা মাওইষ্টশিংনা সিক্যুরিটি ফোর্স তম্না অকনবা মওংদা নোংমৈ কাপশিল্লকখি।

সিক্যুরিটি ফোর্সনা খুদক্তা পোজিসন লৌদুনা খূৎ হনবদা মাওইষ্টশিং অদু মফম অদুদগী মনিং হন্দুনা চেনখি। মখা তানা ওপরেসন চখবদা মুজল লোদ্দিং গন অনীগা লোয়ননা অশিবা হকচাংশিং অদু ফংখিবনি হায়রি।

# ৱেষ্ট বেঙ্গলগী গোরু মরা নেসনেল পার্কতা ৱ্রজানা রাইনো ২ হাৎখ্রে

*কোলকতা, মে ২১ঃ*

ৱেষ্ট বেঙ্গলগী জলপায়গুরি দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা গোরুমরা নেসনেল পার্কতা ৱ্রজা তাশিল্লকপনা মরম ওইরগা রাইনো অনী শীহনখ্রে। শীরবা রাইনোশিং অদু চহী য়াম্লবা লাবা অমগা অমোম অমগনি হায়না দিভিজনেল ফোরেষ্ট ওফিসারনা ফোঙদোরক্লি।

শীরবা রাইনোশিং অদু চৎলিবা থা অসিগী ১৮দা ফোরেষ্ট গার্দশিংনা রুটিন ওইনা পেট্রোল্লিং চৎপদা থেংনরকখিবনি। চীফ কঞ্জবেটর ওফ ফোরেষ্ট পোপ সেরিংনা ফোঙদোরকখিবদা অৱাং থংবা পার্ক অদুগী শরুকশিংদা মহৌশাগী ওইবা খুদোংথিবা থৌদোক্তা শা কয়া শীরি।

মদু মীয়ামদা খঙহন্নবগী থৌশিলদি পায়খৎপা লৈত্রে। পাক চাওরবা নাপী হৌবা লম্পাক কয়াদা শা কয়ানা মতম মতমগী ওইনা হোংলকপা ঈশিং নুংশিৎকী ফিভম মায়োক্লরি। ভুতিয়ানা হায়, রাইনো অনী ৱ্রাজ তাবদগী শীখিবগী মতাংদা তোঙান–তোঙানবা ৱাফম কয়া ফোঙদোক্লরক্লি।

গঙ্গা তুরেলগী তম্পাক্কী মনুং চন্না লৈবা ৱেষ্ট বেঙ্গলগী শরুকশিংদা হৌখিবা শগোলশেন নুমিৎতগী অকনবা নোংলৈ নুংশিৎ মায়োক্লরি। মদুনা মরম ওইরগা অকনবা নোংচুবগী ফিভম অমা হৌজিকসু মায়োক্লরি হায়রি।

## SANA - SUDOKU

Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating .any numbers

**Hard Sana Suduku-597**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | | 1 | 3 | | 2 | | |
| | | 7 | | 8 | 2 | | | 9 |
| 1 | | 8 | | | | 5 | 4 | |
| | | | | | 3 | 7 | 9 | |
| 4 | 7 | 2 | | | 9 | | 3 | 5 |
| 9 | | | 5 | | | 6 | | |
| | 5 | | | | | | 1 | 2 |
| 3 | | 1 | 9 | | | | | |
| 2 | 4 | | | | | | 7 | 8 |

সনা–সুদোকু– ৫৯৬ গী সোল্যুস

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 7 | 4 | 3 | 5 | 8 | 1 | 9 | 6 | 2 |
| 6 | 1 | 2 | 3 | 9 | 7 | 4 | 8 | 5 |
| 8 | 9 | 5 | 6 | 4 | 2 | 3 | 1 | 7 |
| 9 | 3 | 6 | 7 | 2 | 5 | 1 | 4 | 8 |
| 1 | 7 | 8 | 4 | 3 | 9 | 2 | 5 | 6 |
| 2 | 5 | 4 | 1 | 6 | 8 | 7 | 9 | 3 |
| 4 | 6 | 1 | 2 | 5 | 3 | 8 | 7 | 9 |
| 3 | 8 | 7 | 9 | 1 | 6 | 5 | 2 | 4 |
| 5 | 2 | 9 | 8 | 7 | 4 | 6 | 3 | 1 |

## GAS TODAY

**R&H INDANE SERVICE**
Booking upto ...... 09/05/2016
Valid from ........... 28/04/2016
Stk......................540
Timing........7.00 to 10.00 am
SUBMIT AADDHAR CAR

**K&K INDANE SERVICE**
Booking upto Date
Stk......................612
Timing........7.30 to 11.00 am
FIRST COME FIRST SERVE

**BASHIKHONG INDANE**
Booking upto ...... 08/05/2016
Stk......................306
Timing........7.00 to 11.00 am

**YAIRIPOK GAS SERVICE**
Booking upto ...... 31/03/2016
Valid from ........... 21/03/2016
Stk......................306
Timing........7.00 to 10.00 am

**IMPHAL LPG SERVICE**
Booking upto Date
Stk.................................612
19kg ............................ 100
FIRST COME FIRST SERVE
Khudakta book touraga Louba yagani

**MANIPUR GAS**
Booking upto ...... 08/05/2016
Valid from ........... 30/04/2016
Stk......................306 (DBTL)
Timing........7.30 to 10.00 am

**GBD INDANE**
Booking upto ...... 18/04/2016
Valid from ........... 25/03/2016
Stk.................................612
Timing........7.00 to 11.00 am


**MAIBIA GAS, MOIRANG**
Booking upto Date
Stk......................504 (DBTL)
Timing........7.00 to 11.00 am
SUBMIT AADDHAR CAR

**ATHOKPAM INDANE, WANGJING AND KONGJOM**
Booking upto ...... 27/04/2016
Valid from ........... 16/04/2016
Stk...........918 DNSC (DBTL)
Timing........7.00 to 10.00 am
SUBMIT AADDHAR CAR


St. GEORGE COLLEGE
Affliated to Bangalore University, RGUHS & Approved by AICTE, INC (Recognized by the Government of Karnataka)
ADMISSIONS OPEN 2016
www.stgeorgecollege.org
COURSES

| | | |
|---|---|---|
| M.Sc. (Biotech) | B.Sc. (Genetics) | BCA |
| M.Sc. (Microbiology) | B.Sc. (Comp. Sc) | BBM |
| M.Sc. (Biochemistry) | B.Com (Com) | MSW |
| B.Sc. (Biotech) | B.A (Journalism) | MBA |
| B.Sc. (Microbiology) | B.Sc (Nursing) | GNM |
| B.Sc. (Biochemistry) | P.C.B.Sc (Nursing) | |

For Admission Assistance
Homendro Singh
Career Info Solutions, New Checkon Road, Near ICIC bank, Imphal East, Manipur. Ph:8415033773/8413976991




SPOT ADMISSION FOR
Top Colleges in India for the following courses :
Assistance in Education Loan
Drop up facility upto College Hostel

| | | |
|---|---|---|
| ❖ MBBS | ❖ Robotics | ❖ BBA |
| ❖ B. PHARM | ❖ Civil, Mech. | ❖ MBA |
| ❖ BSc. Nursing | ❖ CS | ❖ BSc. Agri |
| ❖ BHMS | ❖ EEE | ❖ Forestry |
| ❖ B.P.T. | ❖ ECE | ❖ HOTI |
| ❖ GNM | ❖ IT | ❖ BFAD |
| ❖ BDS | ❖ Petroleam | ❖ Food Tech. |
| ❖ BAMS | ❖ NANO | ❖ BCA |
| ❖ B. Tech | ❖ BHM | ❖ MCA |

Avail Limited Scholarship
100% Placement Assistance
For details :-
Career Info Solution
New Checkon Road near ICICI Bank
Contact us @ 9089762725

STUDY MBBS IN ABROAD
BANGLADESH, KAZAKH, CHINA, PHILIPPINES
Plz Contact :
Atawar Rahman A.S. Education Trust, Khergao Thambalkhong, Near Cambridge School, Old Campus Imphal.
Note : Available Lone Facility, Term & Condition require
No Service Charges, Scholarship Available
SINCE 2003
Contact No. : 9856363129, 9615706900, 8257053310, 0385-2445341

DIRECT AND SPOT ADMISSION
BE B.Tech
4 Yrs. DEGREE Course in :
• Computer Science
• Information Technology
• Civil • Electronics & Comm.
• Electrical & Electronics
• Mechanical • Architecture
M. TECH
• Computer Science
• Machine Design
• Computer Sc. & Network
• Electronics
• Civil Structural
• Civil-Geo Technical
MBBS/BDS/MDS/BAMS
B.Sc in Forestry, Agriculture, Horticulture, Fishries
B.Sc in Medical Lab Technology
B.Sc in Medical Microbiology, Maths, Physics
B.Sc in Optemetry, OT, Computer Sciences
Radiography, FND/M.Sc Food
Nutration & Dietetics, Fashion Desining
M.Sc./B.Sc. :
✓ Bio Technology
✓ Micro Biology
✓ Bio Chemistry
✓ Applied Genetics
✓ Nursing
✓ Physiotherapy
DIPLOMA :
MLT
Radiography Tech
Physotherapy Tech
Dialysis
MBA | Pharm.D
MCA | D.Pharm
BBA | B.Pharm
M.Pharm
BCA | B.Ed
PGDM | D.Ed
BHM | B.Com | M.COM | BSW | B.A. Animation, Multimadeia
Tourism | M.A. Cinema & Telivision
HURRY ! AT TOP RANKING COLLEGES IN INDIA AND ABROAD. THE ADMISSION CONFIRMATION LETTER WILL BE RECEIVED WITHIN 10 MINUTE - 100 % JOB PLACEMENT AND FREE LAPTOP.
Contact : NEW WAY CONSULTANCY & PLACEMENT (R), Babupara, BOSEM Leirak, Imphal
# : 8119996590 / 8575326215 / 8794525328 / 8119944133